# ঙসিগী খুন্নাইদা নুপী অমদি আইন

— নন্দা দেবী —



**নুপী-নুপা** অমদি অঙাং-অহল হায়বসি খুন্নাই অমদা পূন্না লৈ। মহৌশাগী ওইবা মওংদা নুপীদগী নুপানা পাঙ্গল হেল্লি। অপীকপা অঙাং অমদগীসু অহল অমনা পাঙ্গল হেন্না কল্লি। অদুম ওইনমক পাঙ্গলগী ওইবা চাংয়েংদি পাঙ্গল মান্নবা মশেলদা য়েংনগদবনি। মহৌশাগী ওইবা নুপীগী অশোনবদা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা খুদোংচাবা লৌবা হায়বসি অরানবা থৌওংনি। নুপাগী মহৌশাগী ওইবা পাঙ্গল অদু তায়োন্নবা মফম অমদি মতমদা শীজিন্নবা হায়বা অরানবা থৌওংসিনা অতোপ্পবু মাঙহনবদা নত্তনা মশামকপুসু মাঙজনবগী থৌদাং ওইরকই। অমরোমদা নুপীবু মী অমনি হায়না ফাওবা খনবা ঙমদবা চৎনবী ওইনা চৎননবা হোৎনবা কয়াসু লৈরি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা নুপীদা চথুবা ক্রাইম কয়া থোকহল্লি।

মালেমগী মফম কয়াদা থায়নদগী হৌনা নুপীবু হীরম কয়াদা নমথবীদুনা লাকই। অসিগুম্বা নমথবীবা অসিদগী নুপীশিংনা মশাবু কঞ্জনবা অমদি মশাবু মী অমা ওইনা মশক তাকচনবগী ৰাখল পোকহল্লকই। মসিগা লোয়নননা নুপীনা মহৈ মশীন তম্বগী চাং হেনগৎলকই। মালেমগী অওনবা কয়াগা লোয়নননা নুপীসু খুন্নাই অমগী শরুকনি হায়বসি খঙবা হৌনরকখি। চাওখৎপগী লমদা খম থেংনা চঙশিল্লবা মতম অসিদদি নুপীনা নুপাগা হীরম কয়াদা মান্ননা চৎনবগী লম্বী কয়া লৈরকই। অমদি নুপীনা খুন্নাই অমদা মশাগী মফম কয়া কনবা হৌরকই। মসিদগী নুপীসু খুন্নাই অমগী শরুকনি হায়না খঙবা হৌরক্তুনা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা আইনশিং শেম্বা হৌরকখি।

নুপীগা মরী লৈনবা ইন্দিয়াগী আইন খরদং শন্নপ্না খঙমিন্নবা য়াই। মমা-মপাগী লন থুম, মমা-মপানা শিরবা মতুংদা মচানুপীসু মচানুপাগা চপ মান্নবা শরুক ফংগদবনি হায়বা আইন শেম্লকপা, নুপা নুপী চপ মান্নবা মওংদা চপ মান্নবা থবক শুবগী খূৎশুমল ফংমিন্নগদবনি, নুপীনি হায়বগী হন্থনা য়েংবা ঙাকথোক্লবগীদমক মান্নবা লোইশঙদা মান্নবা শিনফম তৌবদা নুপী নুপা খেন্নবা থমদনা মান্নবা শেনফম ফংহনবা, মুসলমান (মৈতৈ পাঙল য়াওনা) নুপীশিংনা খায়নরবা মতুংদা ঈজৎকী মতাংদা নুপা অদুনা চাকথাক পীবা অমদি মচাগীদমক চহী অনী ফাওবা চাকথাক পীবনচিংবা, লুহোংলবা নুপী অদুবু মাগী ইমুং মনুংনা ওৎপী নৈবিবদগী ঙাকথোক্লবা, লুহোংবগা মরী লৈননা অউনপোৎ লৌবা অমদি পীবা থিংবা, লোইশঙদা থবক তৌবা নুপীনা অঙাং উনবা মতমদা অমদি অঙাং উনদ্রিঙৈদা পোখানবা মতম ফংহনবনচিংবা, নুপীবু নত্তবা লম্বীদা থবক তৌহন্নবা হোৎনবদগী থিংনবা, নুপীবু মওং চাদবা মওংদা য়েক্তুনা ফোটো নমদুনা অরানবা মওংদা শেল তানবা থিংনবা, চহী শুদ্রিবা হায়বদি চহী ১৮ শুদ্রিবা নুপীমচাশিং লুহোংবা থিংনবা, পুকনুংদা লৈবা অঙাংবু নুপী-নুপা খঙদোল্লবা মতুংদা নুপী ওইরগদি মাঙহন্নবা হোৎনবা অসিনচিংবা থিংবা, পীল্লিবা নুপী মচাশিংবু ইকায় খুম্নবা মাঙহনবীবা থিংনবনচিংবা আইনশিং শেম্লে। মসিগী মথক্তা নুপীশিংবু মহৈ মশীন শোয়দনা তমহন্নবা থৌশিল অমদি আইনসু লৈরে। নুপীগী ওইবা কম্মিসন শেম্লে। অমদি থৌশিল কয়া মতম মতমগা চান্ননা নুপীগীদমক শেম্লে।

আইন কয়া পোলিসি কয়া লৈনা লৈনা পীল্লিবা নুপীমচা, লুহোংলবী নুপী, লুহোংদ্রিবী নুপী কয়াবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা, মসিগা লোয়নননা হাত্তোকপীবা নোংমা কাংদনা লমদমসিদসু ঙসি ঙসিমক থোক্লি। আইননা পীবা চৈরাক কয়া ফংলবসু ফত্তবা থবকশিং অসিদি অদুমক তৌবগী পাউ তারি। মসিমক করিদগী ওইরকপনো, কমদৌনা থোকহল্লোইদগে হায়বা অদুদি ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌনি। মীচমশিংনা হায় আইনগী লোইশঙনা মরাল লৈরবা মীবু চৈরাক পীবিদ্রে। মতাংসিদা নীংশিংবা য়াবদি অনাবা মী অমা দাক্তরনা লায়েংবা হৌবদা অনাবগী লায়ওং খঙনবা অনাবা মশাদগী, মরী মতাদগী নৎত্রগা য়াম্না নক্কনা তিন্নবা মীওইশিংদগী অনাবদু করম্না ওইরকখিবনো হায়বসি হংই নৎত্রগা খূৎলাই থাদুনা য়েংই নৎত্রগনা অনীমক চৎথৈ। লায়ওং খঙলবা মতুংদা হীদাক থাই নৎত্রগা অনাবগী মওং মতুং ইন্না থাঙ থাবা নৎত্রগা অনীমক তৌরবা মতুংদা অনাবদু ফহন্নবা হোৎনৈ। অসুম্না মরাল লৈরে হায়না আইনগী চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবদসু থৌদোক অদু উহৌবা, থৌদোক থোক্ত্রিঙৈ অমদি থোক্লবা মতুংদা থেংনবা মীওই খুদিংমক্কী অশেংবা ৰারোল চঙই। অদুগা মীহাৎ মীপুনগা মরী লৈনবা থবক্তদি পুলিসকী থৌদাং য়াম্না চাওই। খৎনবা, চৈনবা, হাৎতোক্লবা, হাৎতোকপীবা অমদি চিংনবা মওংদা শিরম্বা, রেপ তৌবিবা, মী মাঙখিবা অসিনচিংবা অসিগী মমুৎ তানা থিজিনবগী থবক অসি আইন ঙাক্লিবা পুলিসশিংনা তৌই অমদি তৌগদবনি মসিগা লোয়নননা ৰায়েলশঙদা মতেং পাঙগদবনি।

অমরোমদা আইনগী চৈরাক হায়বসিদি নারবা মীদা লায়েংদুনা ফহন্নবা পীবা হীদাকনি। নাদনবা হোৎনবা হায়বা অসিনা মীদুনা অমদি খুন্নাইদুনা তৌগদবা মথৌনি। ফজবা চৎনবী হৌন-লোনচৎকা লোয়নননা মীওইবগী খুন্নাই ওইননবা হোৎনবদা নুপা-নুপী, অহল-অঙাং খুদিংমক্কী থৌদাং চাওই। খুন্নাই অদুগা আইনগা, খুন্নাইদুদা লৈরিবা মী অদুগা আইনগা, চাওখৎপগী অওনবগা আইনগা তোখায় তোখায় লৈনবা মতমদা মীওইবগী খুন্নাই অদু শোয়দনা মাঙখিনি। অদুনদি নুপীগী ওইবা আইন কয়া লৈরগসু হকথেংননা নুপীবু ঙাক শেনগদবদি নুপানি। মথংদা খুন্নাই অদুননি। ময়াম অসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগী ওইবা নুপীগী পাঙ্গল শোনবা অসিদা খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনবা হায়বসি নুপাশিংগী অশোনবা ওইফম থোকই। খুদোংথিরবা মচল মচেবু মমা-মপাগী ইঙ্খোলদগী তাম্থোকনিংবা, নুংশিনবগী মিংদা নুপীগী মশা শোকপা, পীল্লিবা নুপীমচাশিংদা হকচিন্ননিংবা অসিনচিংবা ইহুল অসি মহৈ মশীন ৰাৎপা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা, থবক তৌফম খঙদবা অমদি লৈতবা, ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিং লান্না শীজিন্নবা, হৌন-লোনচৎতগী পৈশানা হেন্না মমল লৈহল্লকপা অসিনচিংবা মরম কয়াদগী থোক্লকপনি হায়বা য়াই। অদু ওইরবদি ইমুং মনুং অমদি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা পূন্নমক্কী থৌদাং হেন্না হেন্না চাওরক্লি। ইশা ইশানা অফবা লম্বীদা চৎপা হায়বসি আইন খঙবা হৌরবনি। মসিগা লোয়নননা ইশাগী থৌদাংসিবু ইথৌ ওইনা পাঙথোকপা মতমদা আইনগী মশক অদু শোয়দনা নিংথিনা উরগনি। মতম অদুদদি আইনগী মপাঙ্গল কনখৎলক্কনি। আইনগী মপাঙ্গল হাপ্পসি ঐখোয় পূন্নমক্কী ইথৌ ওইরবা মতমদা অরানবা পূম্বা মরু লুকহনবা ঙমগনি।

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ য়াইঙং

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —

*মীওইবনা* মরোয়-মরাং অমা ওইনা পাক-শন্না শীজিন্নরবসু য়াইঙং অসি হীদাক-লাংথক অমদি হকশেলগী লমদা থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইনা শীজিন্নরি। য়াইঙং পাম্বী অসি সাউথ এসিয়াগী লমদমশিংদগী মরু ওইনা মালায়ান লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি হায়না লৌনরি অমসুং মসিগী অকোয়বদা অসুম শন্দোকখিদুনা ইন্দিয়া অমদি জভা ঈথৎশিংদা মহৌশাগী মওংদা হৌরকখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনৈ। য়াইঙং অসি ইংলিসতা তর্মেরিক (Turmeric), হিন্দিদা হল্দি (Haldi), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *কুর্কুমা লোঙ্গা (Curcuma longa Linn.)* নৎত্রগা *কুর্কুমা দোমেষ্টিকা (Curcuma domestica Val.)* হায়না কৌই অমসুং জিঞ্জিবরেসি (Zingiberaceae) শাগেগী মনুং চল্লি। য়াইঙং অসি ইন্দিয়াদা অর্যুবেদকী মতমদগী শীজিন্নরকখিবগী পাউদম লৈ অমসুং ঙসিসু য়াম্না মরাং কায়না শীজিন্নরি।

ঙসিদি মালেমদা খ্বাইদগী য়াইঙং পুথোকপা লৈবাক অসি ইন্দিয়ানি অমসুং পোৎথোক অসি মপান লৈবাকশিংদা মরু ওইনা ইরান, লিবিয়া, জপান, মোরোকো, অমেরিকা, ইংলেন্দ অমসুং সিঙ্গাপুরনচিংবা লৈবাকশিংদা থাদোকপগী পাউদমশিং লৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা য়াইঙংগী পোৎথোক খ্বাইদগী পুথোকপা লৈবাক অসি অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং টামিল নাদুনি অমসুং মফম অনীসিদগী ইন্দিয়াগী অপূনবা পোৎথোক্কী চাদা ৫০ রোম পুথোকই। ষ্টেট অনী অসি নত্তবা অতোপ্পা য়াইঙং পুথোকপা ষ্টেটশিংদি ওরিষ্যা, মহারাষ্ট্র, বিহার, বেঙ্গোল অসিনচিংবনি। অৰাং নোংপোক ভারতকী ষ্টেটশিং অসিসু য়াইঙং অসি অদুমক পুথোকই অমসুং য়াম্না মগুন লৈবা য়াইঙংশিংগী মনুংদা অমনি হায়না শীংথানৈ। য়াইঙং পাম্বী অসি সমুদ্র ঈমায়দগীনা মিটর ১২০০ ৰাংবা মফমশিংদা য়াম্না পোৎথোক লৈনা থাবা য়াই।

বিজ্ঞানগী পাউদমশিংগী মতুংইন্না য়াইঙংগী মউ হায়বদি রাইজোমদা ইসেন্সিয়েল ওইল হায়রিবা থাউ অসি চাদা ১.৯৪ দগী ৫.১০ অদুগা মনাদনা চাদা ১.৫ দগী ২.০ ফাওবা য়াওই। হায়রিবা থাউ অসিদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি - Ar-turmerone চাদা ৫১.৭, Ar-turmerol চাদা ১১.৯, B-bisbolene চাদা ১০.৭, Zingiberene চাদা ১০.২ অসিনচিংবনি। য়াইঙংদা য়াওরিবা মচু অমসুং মনম অসি মরু ওইনা কুর্কুমিন হায়রিবা কম্পাউন্দ অসিননি। হায়রিবা কুর্কুমিন অসি য়াইঙংগী অকঙবা মউগী চাদা ০.৬১ দগী ১.৪৫ ফাওবা য়াওবগী পাউদম লৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি য়াইঙংগী মশা পূন্নমক শীজিন্নৈ। য়াইঙংগী মনা অসি ঙানম নৎত্রগা বেসন পাক্নম শেম্বদা খ্বাইদগী মহাও পীবা ঙম্মী। মণিপুরদদি য়াইঙং পাম্বী অসি যূমথোঙ অয়াম্বদা থাবগী চৎনবী লৈ। য়াইঙং অনৌবা অদু শীংচিৎনা শিত্তুনা এঙ্গাংদা হাপ্পসি পান্নৈ। উতি নৎত্রগা চগেম পোম্বদসু য়াইঙংগী মনা অসি শীজিন্নৈ।

ইন্দিয়াগী অনা লায়েংগী লমদা য়াইঙং অসি পুক নাবা, ঈ শেংদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা তুমদবা, লোক থুংবা অমদি অপোম অতং (কেন্সর) গী লায়েংদা শীজিন্নদুনা লাক্লি। অর্যুবেদিক্কী হীদাক কে কে কে হায়রিবা লাইহৌ হৌবা অমদি খোঙশা কারক্তা নাই চাবগী লায়েংদা শীজিন্নরিবা হীদাক অসি শাবদা য়াইঙং অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নরিবনি। বংলাদেশকী ত্রাইবেল কাঙলুপ খরনা য়াইঙগা থরোইগা হৈতুপ মনাদা চাং মান্ননা লৌরগা মৈদা ঊৌদুনা কুপ্পা পাউদর তানা তকখাইরগা পীজদুনা জোনি দস লায়না অসি লায়েংনবগী পাউদম লৈ। য়াইঙংদা ভিটামিন এ অমসুং প্রোটিনগী চাং অসি য়াম্না মরাং কায়না য়াওই অমসুং মীরোনবী নুপীদা অঙাং মপূং ফানা চাউখৎহনবদা য়াম্না মতেং পাঙই হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়রি। য়াইঙংগী মকুপ অসি লুম্বু-লুম্বু শাবা শঙ্গোমদা মরু ওইনা হামেংগী মখোমদা নৈখাইদুনা চাং নাইনা থল্লবদি মীওইবগী হকচাং নাবা অমদি চীকপদা য়াম্না কান্নহল্লি অমসুং অশোক অপনশিং য়াম্না থুনা ওইশিলহনবা ঙম্মী। উনশা অসি মথা মথা পোমখৎতুনা ফুগ্রি ওইনা থুংদুনা মতোন্দা নাই চারবদি য়াইঙংগা নোংমাংখা মনাগা কুপ্পা তকখাইরগা ষণযুং খরা হাপ্তুনা শেম্বা অনঙবা মহী অদুনা তৈদুনা লায়েংনৈ। উনশা ময়ী চৎলগা মকু হুবদসু য়াইঙংগা শিংগা চাং মান্ননা লৌরগা তকখাইদুনা শেম্বা মহী অদু তৈদুনা লায়েংবা য়াই। য়াইঙংগা নিম মনাগা শুগাইদুনা শেম্বা মচল অসি মীওইবগী মখল মখা কয়াগী লায়নাশিং ফহন্দুনা হকচাং ফনা থম্বা ঙম্মী।

তীনফা কাকফৈনা চীকপদসু য়াইঙং শুগাইদুনা লৌবা মলম অদু তৈবদা য়াম্না কান্নৈ। য়াইঙংগা ঘীগা তোৎনরগা শেম্বা মলম অদু থোম্বদা শরু তেকপা অসি য়াম্না থুনা শমজিন্নহনবা ঙম্মী হায়রি। ফৌদা তাগনবা লায়না তীলনা কয়াসু য়াইঙংদগী লৌবা থাউ অদুনা কাপথোকপদা থোইদোক্লা কান্নৈ। য়াইঙং মনা অদু কংহল্লগা কুপ্পা মফোল তানা তকখাইরগা চাইবদা মনা-মশিংদা তাগনবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। থম্মোয়গী লায়নানা নাবা মীনা চাং নাইনা য়াইঙং অসি চারবদি কান্নবা ফংহল্লি। য়াইঙংগা, হৈগ্রুগা, নিংথৌখোংলীগা, শেম্বাং কোকথুমগা, মনাহী মহায়গা, জিরাগা চাং মান্ননা লৌরগা মকুপ তানা তকখায়রগা নোংমদা অনীরক অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা চামচ অমগী চাংদদা পীজদুনা দাইবেটিস হায়রিবা ঈশিং পুকচৎকী লায়না অসি লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। ফুগ্রি অসিনা চাং য়াম্না হেঞ্জিনখ্রবদি য়াইঙংগা, গঞ্জা মনাগা, তিলহৌ মরূগা হঙ্গাম থাউদা শাহল্লগা তৈবদা য়াম্না থুনা অনাবা অমদি হাক্কচবা অদু ফহনবা ঙম্বগী পাউদম লৈ। য়াইঙং গ্রাম ৬৪০, ঘী গ্রাম ৫০০, শঙ্গোম লিটর ১.৫, চিনি গ্রাম ১২০ পূন্না মৈদা লোল্লগা উচিথী, তেজপাটা অমসুং শিং মকুপ খরা হাপ্তুনা পীথকপদসু উনশাগী লায়নাশিংদা থোইদোক্লা কান্নৈ। দিল্লিদা লৈবা এইমসকী পাউদমগী মতুং ইন্না য়াইঙংগা, তুলসিগা শুগাইদুনা শেম্বা মচল অসি ঈশিংদা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা হাপ্পদা মীৎ ঊৌদোং থুংগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি। ঙসিদি মায়তৈ হীদাক কয়ামরুম য়াইঙংদগী শেমখ্রে অমসুং কৈথেলশিংদা য়োনবা থেংনরি।



# সোসিএল কন্সিয়সনেসনা লেপ্পা ঐখোয়গী খুন্নাইগী থাক

— চীংশুবা শামু —

**মীওইবা** খুন্নাইদা মীওই কাঙলুপ অমনা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মখোয়গী খুন্নাইগী থাক অদু করম্বা থাক্তা লৈরম্বগে হায়না মশক তাক্লিবসি কাঙলুপ অদুগী পুন্সি মরেলগী ফীভমগা শাগোন্নদুনা লাকখিবা লোইনশিল্লোনশিংগী মশক্লা অদুমক তাকচরি। অমরোমদা হায়রগা মীওই কাঙলুপ অদুগী সোসিএল কন্সিয়সনেসকী থাক্লা মীওই কাঙলুপ অদুগী খুন্নাইগী থাকসু অদুমক লেপচরি।

ঐখোয়গী খুন্নাইগী পুন্সিগা য়েলহৌঙৈদগী শেৎনা খায়না য়াদনা শাগোন্নদুনা লাকখিবা মপূং মরৈ ফারবা লোল, ময়েক অমদি মালেমদা ফিদম্লিংঙাই ওইরিবা চৎন-লোনচৎ, থকসি-খাসি, থৌগল্লোন, য়ূম্বাল্লোন, লাইনীংলোন, লাইশোল্লোল, অমাইলোল, খোরিরোল, ৰাঙুলোল, ইনাৎলোল, লৈখোল্লোল, শৈশকলোলগী শৈহেক শৈদা, মালেম ফাওনা শকখঙনরিবা মশান্না কয়া য়াওরিবা শান্ন-খোৎনবগী মশক্লচিংবা ফজরবা লোইনশিল্লোলশিংসিগী মশক্লা ঐখোয় অসি য়েলহৌঙৈদগী সোসিএল কন্সিয়সনেসতা থাক ৰাংনা লৈরকপা কাঙলুপ অমনি হায়বসে মশানা অদুমক তাকচরি। মীওইবা খুন্নাইদা মশা মশাগী অৰাংবা থাক্কী খুন্নাই অমা শেমগৎনরকখিবা মশক থোক্লা লৈরিবা মীওই কাঙলুপশিং অদুদগী ঐখোয়না করিসু হন্থনা লৈরকপা নত্তে হায়বসি ঐখোয়গী মমাঙঙৈদগী শাগোন্নজরল্লবা লোইনশিল্লোনশিংসিনা খুদম ওইনা অদুমক লৈজরি। হৌজিক্কী চাওখৎলবা মতমসিদফাও মখোয়গী সোসিএল কন্সিয়সনেসকী থাক অদু য়াম্না হন্থনা লৈবনা মখোয় মখোয়গী খুন্নাইগী থাক অদু প্রিমিটিভ কম্যুনেল অমদি কম্যুনেলগী থাক্তা লৈবা মীওই কাঙলুপ কয়া অমা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবনি।

মীওইবগী খুন্নাইসিদা সোসিএল কন্সিয়সনেস হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। তাইবংসিদা লৈরিবা থৰায় পানবা অমতা মীওইবা নত্তনা মখোয় মখোয়গী খুন্নাই অমা লিংদুনা খুন্নাইগী পুন্সিদা হিংবা ঙমদ্রিবসি মখোয়গী মশাদা সোসিএল কন্সিয়সনেস হায়বসি য়াওদবননি। মীওইবগীদি মশাদা খুন্নাই অমা পোক্লবগী মতিক ময়াই চেনবা 'সোসিএল' হায়বা মচাক অমা য়াওজরি। মসিনা মীওইববু সোসিএল বিয়িংনি হায়নরিবনি। থৰায় পানবা অমনা বিয়িংখক ওইবা, কন্সিয়সনেসখক য়াওবনা খুন্নাই অমা পোকহল্লকপা ওইথোক্তে। খুন্নাই অমা পোক্লবগী মরু ওইবা মচাক্তুদি সোসিএল বিয়িং অমসুং সোসিএল কন্সিয়সনেস হায়বসিনি। অদুগা অমনা মীওইবা হায়বা সোসিএল বিয়িং অসিমক সোসিএল এনিমেল অমনি। মশাদা সোসিএল এলিমেন্ট অমদি এন্টি সোসিএল এলিমেন্ট অনীমক য়াওজরি। সোসিএল এলিমেন্টশিংনা মীওইববু খুন্নাইগী থাক্তা পুখৎতুনা সোসিএল কন্সিয়সনেসকী মখাদা খুন্নাইগী পুন্সিদা হিংনবা হোৎনরকখি, অদুগা এন্টি সোসিএল এলিমেন্টশিংনা অঙম অঙম্বা শরাক তম্নদুনা অঙম অঙম্বা হাৎতোক্নদুনা শাগী থাক্তা অদুমক লৈনবা হোৎনরকখি। অসুম্না শাংলবা চহী লিশাং অমা সোসিএল এলিমেন্ট অমদি এন্টি সোসিএল এলিমেন্ট অনীসিনা লাই অমদি হীংচাবা অনীসিনা সমুদ্র নৈবগুম 'সোসিএল' হায়বা ঈপাক অসিদা নৈরক্লগা 'মীওইবা খুন্নাই' হায়বসে থোরকখি। ইমুং অমা লিংদুনা, খুল লৈকায় পান্দুনা, লৈবাক কয়া শেমগৎতুনা খুন্নাইগী পুন্সিদা পূন্না হিংমিন্নবগী খোইথুল্লবা নুংঙাইবগী মহাও অদু মীওইবা নত্তনা থৰায় পানবা অতৈদি লাইরদুনা লাই ফাওবনফাও ফংজবা ঙমদ্রি। অদুনা মীওইবা খুন্নাইগী ৰাংমদা খুন্নাই অমতা লৈতে হায়নরি।

অসুম্না লাইফাওবনা ফংঙমদ্রবা মীওইবা খুন্নাইসিদা লৈরিবা মীওই কাঙলুপ কয়া কয়াগী মখোয় মখোয়গী খুন্নাইগী থাক অদু অমগা অমগা খেন্ন খেন্নবা কয়া উরি। অসুম্না খেন্নবা কয়া উরিবসি মীওই কাঙলুপশিং অদুগী পুন্সি মরেলগা চুশিন্নবা ফীভম অমসুং পুন্সি মহিংগা মরী লৈনরিবশিং অদুনা থোকহল্লকপা মখোয় মখোয়গী সোসিএল কন্সিয়সনেসকী থাক্তুনা ওইহল্লকপনি। মৈহৌরোলগী মী ওইরম্বদগী মতমসিগী মী ওইরক্লফাওদা মখোয়গী সোসিএল কন্সিয়সনেসকী থাক অদু য়াম্না হন্থনা লৈখিবনা মখোয়গী খুন্নাইগী থাক অদু মৈহৌরোলগী থাক্তা লৈরিবা মীওই কাঙলুপ কয়া অমা লৈরি। মীওইবা খুন্নাইগী চাওখৎপগী মশক পূম্বা খঙলু-উরুবা, শম্নরুবা ঙমদনা উমং ৰামংদা মহৌশা লাইরেম্বীগা শাগোন্নদুনা লৈবা কয়া অমা য়াওরি। মখোয়দা এন্টি সোসিএল এলিমেন্টকী মচাক কয়া অমা য়াওরিবা মরম্না মীরোল তানা ৰাখল ফাওদোক্লবা য়াদে। মখোয়দা তঙাই ফদবা খঙনলোল খরখক নত্তনা লোলগী পুক্কে অমা শেমগৎতুনা লোলনা মী অমগা মী অমগা, কাঙলুপ অমগা কাঙলুপ অমগা ৰাখল ফাওদোক্লবা অমদি লোলগা খুন্নাইগী চাওখৎলোলগা লৈনরিবা মরী অদু থম্বা ঙমদে। মসিমক মখোয়গী পুন্সি মহিংগা চুশিন্নবা ফীভমদুগা চাশিন্ননা ওইহল্লকখিবা সোসিএল কন্সিয়সনেসকী থাক্তুননি।

ঐখোয়গীদি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা ইপা ইপুশিংনা চপ চানা মপুং মরৈ ফারবা লোল অমদি ৰাহৈগী পুক্কেনা চোন্না থম্বীরম্মী। ঐখোয় ইশাগী তরং তরং লৈজবা ফজরবা ৰাহন্থোক্তনা থল্লবা ৰাহৈ ৰাতা, লোলয়ান মচেৎ অমত্তা য়াওদবা ইশাগী লোল অমদি মশক থোকপা ইশাগী ময়েক লৈজরকখি। ময়েক লৈরম্মীবসিনা অমুক্লা হেন্না ঐখোয় অসি মীওইবা খুন্নাইসিগী মনুংদা মশাগী থাক ৰাংবা খুন্নাই অমা লৈজরকখিবা মীওই কাঙলুপশিংগী মনুংদা ঐখোয়সু অমনি হায়বসি পুমশেং শেংলবা অচুম্বনি। ঐখোয়গী লোল অসি ঙাঙনলোল অমদি অইলোল অনীমক্তা থাক ৰাংনা লৈজরকখি। ঐখোয়গী লোলদা লোলয়ান মচেৎ অমত্তা য়াওদনা ইশাগী অশেংবা ময়েক্লা ইদুনা থনল্লিবা পুয়ানচিংবা লাইরিকশিং অসিনা তাকপদি ঐখোয়গী লোল অসি ঙাঙনলোল অমদি অইলোল অনীমক য়েলহৌঙৈদগী লৈজরল্লবা কোনশেং ওইবা ৰাহৈগী পুক্কেনা থল্লবা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ অমগী থাক্তনি। ঐখোয়গী লোলদা মালেমদা লৈরিবা চাওখৎলবা লোনশিংগা মপা চানা চানা ফোঙদোক্লবা য়াবা লোলগী পুক্কে অমা তাবুনুংদা লৈজরি। ঐখোয়গী তাবুনুংদা লৈরিবা লোলশিং অসিদা অতোপ্পা চাওখৎপা লোলশিংনা মপা চানা ৰাহন্থোক পীবা ঙমলোইদবা লোল কয়ানা থন্না লৈরি। ঐখোয়গী খজিক্তং শোৎথহৌবা হায়রগদি খুন্নাইগী থাক্তা মালেমসিদা মশক থোকপা মীওই কাঙলুপ অমা ওইরবসু চাওখৎপগী থাক্তা শোৎথনা লৈরম্বা অসিনি। ময়েক লৈজদবা মীওই কাঙলুপ অমতনা য়েলহৌঙৈদগী মপা মপু হাক্তক্তগী ৰারী ৰাখোং কয়া ইদুনা থম্বীরম্বা খোরিরোলগী পোৎথোক অমফাও লৈজবা ঙমদ্রি। মখোয়গী ৰারী ৰাখোং পূম্বা চীনবুং ৰারী ওইনা লৈরি। অসুম্না খুন্নাই অমগা খুন্নাই অমগা খেন্নবগী থাক অসি সোসিএল কন্সিয়সনেস হায়বসিগী পোৎথোকনি।

মীওইবগী খুন্নাই অসি পোক্লক্তুনা সোসিএল লোগী মখাদা হেক লৈরকপদগী ওইরক্লিবা সোসিএল ফোর্মেসনশিং অসি য়েংলুরগসু মীওই কাঙলুপ অমনা করম্বা থাক্তা লৈরম্বগে হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙমগনি। হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা সোসিএল ফোর্মেসনশিং অদুদি প্রিমেটিভ, কম্যুনেল, ফিউদ্যাল, কেপিটেলিষ্ট অমদি সোসিয়েলিষ্ট ফোর্মেসন হায়বসিনি। মীওইবা খুন্নাইনা থাক য়াম্না হন্থনা চাওখৎতনা লৈরিঙৈ মতমগী মনুংদুনি প্রিমেটিভ ফোর্মেসন হায়রিবসি। মসিগী মতুংদা ওইরক্লিবা কম্যুনেল ফোর্মেসন অসিগী মনুংদা কাঙলুপ কয়া কয়ানা মশাগী কম্যুনিতি ময়াম অমা শেমগৎনবা হৌরকখি। মীওই কাঙলুপ কয়া কয়াদুগী মখোয় মখোয়গী খুন্নাইগী থাক অমা লেপ্পা হৌরকখিবসু ফোর্মেসন অসিগী মনুংদনি। কম্যুনেল ফোর্মেসন অসিগী মনুংদনি মীওই কাঙলুপ কয়ানা মখোয় মখোয়গী কম্যুনিতিগী চৎন-লোনচৎ কয়া শাগৎনরিবসি। মপূং ফাবা চৎন-লোনচৎ অমা শাগৎহৌদবা কাঙলুপশিংনা হৌজিক ফাওবদা করিগুম্বা অমা ইৰাৎতা ৰাৎপগুম কম্যুনেলগী থাক্তগী হায়গৎপা ঙমদ্রি। ঐখোয়গীদি মীওইবা খুন্নাইনা চহী লিশাং অমা কম্যুনেল ফোর্মেসনগী মনুংদা লৈরিঙৈগী মতমসিদা মশক থোকপা চৎন-লোনচৎ, লাইনীং লাইশোল ময়েক্লচিংবগী সোসিএল কন্সপিরেসনগী পোৎথোকশিং অসি লৈজরকখ্রে। মসিমক মালেমসিদা লৈরিবা অকক্লবা মীওই খরখক নত্তনা কাঙলুপ খুদিংমক থাক অসিদা লৈরকপা নত্তে। অসুম্না মতিক ময়াই চেনবা কাঙলুপশিং অদুনা মীওইবা খুন্নাইদা নিংথৌ পানবা লৈবাক কয়া অমা শেমগৎতুনা ইমুং মনুং, খুল লৈকায়, নিংথৌনা অসুম্না মপু ওইদুনা লৈঙাক পথাপ লৈরকপগী সোসিএল ফোর্মেসনগী তাঙ্কক অসিবু ফিউদ্যাল ফোর্মেসন হায়না খঙনরি।

ঐখোয়দি ফিউদ্যেল ফোর্মেসন অসিগী হৌগৎলকপা তাঙ্কক্তগী হৌনা ইশাগী অশেংবা হৌফম শাৎফম ওইবা ঈরৈবাক অমা লৈজরল্লবা লৈঙাক পথাপ লিংদুনা নিংথৌ পানবা লৈবাক খুন্নাই অমগী মখাদা লৈজরল্লবা মীওই কাঙলুপনি। ঐখোয়গী ইমা লৈবাক অসি মৈহৌরোলদগী ঐখোয়গী পোকফম শাৎফম ওইনা লৈরল্লবা মৈত্রবাক অদুনি। ঐখোয়গী সোসিএল কলচরদা, ত্রেদিসনেল কলচরদা, রিলিজস কলচরদা ইপা-ইপুশিংনা মৈহৌরোলদগী নৈনরুদ্রগসু ইপা ইপুশিংসিনা লৈবাক্কী নিংথৌ অমদি লৈবাক্কী নিংথৌ কোনুংগা ঐখোয়গী খুন্নাইসিগা শেৎনা খায়নবা য়াদবা মরী অমা লৈনরিবা নুংগী ৰাহন্থোক কয়া য়াওরিবা ইনাৎকী মশক অসি অতোপ্পা মীওই কাঙলুপশিংগী খুন্নাইদা পংনা থেংনরোই। ঐখোয়গী তোপ তোপ্পা লৈবাক খুন্নাইগী ওইবা কলচর অমা লৈজরকখি। পাখংবনা কংলাদা ফম্বাল তোংদুনা লৈবাক্কী থৌগাই পূম্বা পাঙথোক্লি। অদুগা লাইনিংথৌ সনামহীনা য়ূমথোং খুদিংদা ফম্বাল তোংদুনা ইমুং অমগী থৌগাই পূম্বা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লিক্লম অসি কায়দনা লৈবাক নিংথৌনা তৌগদবা অমদি ইমুং অমগী লাইনিংথৌ সনামহীগা মরী লৈননা তৌগদবা থৌগাই পূম্বা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নিংথৌ য়াওদনা লৈবাক্কী থৌগাই কয়া পাঙথোকপা য়াদবা থৌরম কয়া ঐখোয়গী খুন্নাইগী লৈজরি। অদুনা হৌজিক লৈরিবা সোসিএল ফোর্মেসন অসিগী পার্লিয়ামেন্টরি ডেমোক্রেসিগী পথাপ মখাদা নিংথৌগী লৈঙাক লৈরক্তবা সোসিয়েলিষ্ট ফোর্মেসন অসিদাফাও ঐখোয়গী খুন্নাইগীদি নিংথৌ অমসুং নিংথৌ কোনুং হায়বসি লৈতবা শুকয়া য়াদবনি। মসিবু লৈত্রবদি ঐখোয়গী খুনাইগী মশক অসি পুম্মাং মাঙখিগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঐখোয়গী নিংথৌ অমসুং নিংথৌ কোনুং হায়বসি ঐখোয়গী ইনাৎকী শেৎনবা য়াদবা মচাক অমনি। অমরোমদা য়াম্না মুন্না নৈনরগদি ঐখোয়গী নিংথৌ অমদি নিংথৌ কোনুংগা লৈবাক্কী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অমসুং য়েলহৌমী ময়ামগী অপূনবা মরী শাগৎপদা কয়া য়াম্না মরী লৈনবগে হায়বদু খঙবা ঙমগনি। য়েলহৌঙৈদগী নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা মশাগী ঙমখৈ লৈজরল্লবা লমদম অমনি হায়বসিদা নিংথৌগা তৎনা থানা য়াদ্রবা মরী অমা লৈনরিবসি খঙবা ঙমগনি। ঐখোয়গী ইরমদম অসি মশাগী পুৰারী লৈজদবা অতোপ অতোপ্পা কম্যুনিতি ময়াম চোইখোম খোল্লগা লমখাংদগী শাগৎপা ষ্টেটশিং অদুগুম্বা নত্তে। মৈহৌরোলদগী পূন্না হৌমিন্নরল্লবা য়েলহৌমীশিংগী মশাগী পুৰারী লৈজবা লৈবাক অমনি।

ঐখোয়গী য়েলহৌমী অতোপ্পা লমদম অমগী মীওই নত্তে হায়বসি য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয় পূম্বনা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। লৈরুবা মফমগী ফীভম অমসুং পুন্সি মহিংগী মরীশিংনা খেন্নবা কয়া লৈহনখ্রবসু ঐখোয় অসি মীওই কাঙলুপ অমতগী মীওইশিংনি হায়বসি সোসিএল ফোর্মেসনশিংনা লোইনরল্লিবা মীওইবগী মরী অদুনা অদুম তাকচরি। মতমগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা মান্না মান্নবা মীওই কাঙলুপ কয়া পুল্লরবসু য়েলহৌমী হায়বসিগনি ঙমখৈ লৈতনা খেন্নরিবনি।

অদুনা ঐখোয়গী মৈহৌরোলগী ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা সোসিএল কন্সিয়সনেসকী থাক্লা লেপ্পীরমল্লিবা ঐখোয়গী থাক অসিদগী ঐখোয়না হন্থদনা ঙাক্লা থম্বা ঐখোয় খুদিংগী থৌদাংনি হায়নীংই।